# "ৱাকোক্লোন্ হীলেল্ থিলেল্ সৗলাই আমাইলোন্ পুকোক্"

**কোৱা পুয়া অসি সিল্লম্বা মীগী ৱারোল্॥**

( পুয়া আসি নিংথেম্ পাম্হৈপা হাক্থক্তা সিন্থোক্পনে. লেপ্না খঙ্পীও॥ পাম্হৈপা নিংথেম্ হাক্থক্ ফাওপতা; মলিয়াফম্ পাল্চা চৈহি কুম্সিঙ্ লী চৈসিঙ্ চৈচত্ ৩১০৭ সুলাপানে॥ চৈহিকী কুম্হৌ আহান্পা নুমিত্তকী সিন্থোক্পা হোৌপনা. নুমিত্ ১৫ নি চঙ্না ৱাক্চৗংকী থানিন্তা লোইয়ে॥ লাইলীক্ আসি মাঙ্পা য়াতাপনা; চাউপা ঐনা সিন্থোক্হৌপনে॥ লাইলীক্ আসি ঈনুঙ্ ঈয়েক্. খুনুঙ্ ঈয়েক্, সুপ্লাপা হৌফম্কী পুয়ানে. লেপ্না খঙ্পীও॥০॥ )

## ৱাকোক্লোন্ হীলেল্ থিলেল্ সলাই আমাইলোন্ পুকোক্

১ঃ— হুঙ্ হৈ. হা. হে. খোইয়ুম্ লাইনিঙথৌ; আতীংআ কোইলো সিতপাপু খুলুম্না ইচাকে॥ হুচীক্তি তাথীপীকুনো। ঈয়েক্কী; চক্পালোন্কী; ৱাপু হ.াইচকে॥ হৈ-চক্, হা-চক্, কোন্ চক্, লাং চক্ চক্ মালি আসিকী ৱাপু সিতাপা মপু; ঈপুঙ্লোইনপা মপুনা. নুংপুঙ্ ৱাখন্তাকী মালেম্ লৈসাপু ঈনুং পুঙ্তাকী ফুকখত চিংখত্ থাংখত্লক্পা মাতম্তা; নুংপুঙ ৱাখন্তকী থোক্খিপা — "( ৱাকোক্লোন্ হীলেল্ থিলেল্ সৗলাই আমাইলোন্ পুকোক্ ) পুয়ানা থাক্পা, লৈতনা আমতি চক্মালি আসিকী মথক্তা ওইঙমখিপা আমতি চক্মালি আসিকী মনুঙ্তা ওইঙমলকপা কয়াকী মালমপু আপোই ননা মচা ম.াইচৌপু ৱালি লীপিও হ.াইনা লৈপাক্ মীয়াম্কী নিংথৌনা. ম.াইচৌ মালিকী আমাতি অপোই-ননা মচাকী মফম্তা ৱাকত্চৈয়ে॥০॥

ননা ম.াইচৌনা ৱালি লীয়ে — চক্পালম্ মচা ম.াইচৌনা লাইকী চৈ থাপিয়ে আতুকা ম.াইচৌ আহুম্সু তাপীও ১ তি লুৱাঙচম্ মচা ম.াইচৌ; ২ তি ৱাহিঙপম্ মচা ম.াইচৌ; ৩ তি চীন্কাঙপম্ মচা ম.াইচৌ ৩ আসি য়াউনা কংলৈয়োন্তা মেনতা সংকুপলৈ মখোঙ্তা ফম্পাল্ লাংলিঙৈতা ৱাকোক্লোন্ ১ তি ৱাহৌলোন ২ তি ঈনুঙ্লোন খুনুঙ্লোন্ আসি খৈপীক্কী ৱাপু মঙাঙ্ সৗলাই

— ঈকৌ লৈসংলেল আসং ঙাসাপা নিঙথৌকী ৱালি লীখুনপু ননা ম.াইচৌনা, ম.াইচৌ ৪ নে, লৈপাক মীয়ামনে, আসি থৈপীককী মফমতা হ.াইলকলে ॥০॥

হে নিঙথৌও! নপুক পিনা নাকোং থন্না তাউও হ.াইলাপনে ॥ তিংপালপাকী মপু ঈপুঙলোইনপা আপকপনা তলঙ ওইনা লৈলিঙৈ তিংপালপা আমাকী মওংপু লেপতালিঙৈ, মৈ, ঈসিঙ, নুংসিত, নুমিত, থা, থৌৱাইমিচাক, আমম আঙান খাইতালিঙৈতা পুমনমকন্, লৈতালিঙৈতা মথন্না ওন্না ওন্না. তলঙ মালঙ ওইনা সাইওনতুনা লৈলিঙৈতা তলঙ আতিঙপাপু ঈপুঙ লোইনপা আপকপানা তলঙ মালঙনা ঈম ওইনা হাইনা হুমনা আসুমনা লৈলিঙৈতা মালেম, নোংথৌ মনুং ওইনপা সেংমকে নিঙলকলে ॥ ১ (আমা) হ.াইলিপা মপুনা তলঙ মালঙ ওইনা হাইনা হুমনা লৈলিঙৈতা মপু সিতাপকী নুংপুঙ ৱাথন্না ঈনুং পুঙতা লুপখিতুনা মালেম লৈসাপু ফুকখত চিংখত থাংখতলকপা মতমতা ঈনুংপুঙকী সাইওন্না কামপ্রী, লাইচা মালঙপা চোংথোকলে ॥ মালেম নোংথৌ ঈয়েক মওং লেপখলে ॥ মালেম নোংথৌ আনিনা উয়ুংচৈ ওইনা লেপখলে ॥ উয়ুংচৈ মনুঙতা তাইনপা মলকতা কামপ্রী, লাইচা, মালঙপা চাইনলে ॥ মৈ ঈশিঙ নুংসিত আসুম ওইপা মওংপু ঈপুঙঙোনা ওন্না ওন্না সাইওনলে ॥০॥



১ (অমা) লৈপা মলমনা ইনুঙলোনন্না ক.ামপ্রী হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোনন্না মৈ হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ২তি ঈনুঙলোনন্না লাইচা হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোনন্না ঈসিঙ হ.াইনা হাইখলে ॥ ৩তি ঈনুঙলোনন্না মালঙপা হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোনন্না নুংসিত হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ৪তি ঈনুঙলোনন্না মালেম হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা লৈপাক হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ৫তি ঈনুঙলোননা নোংথৌ হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা আতীংআ হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ৬তি ঈনুঙলোননা কোইলৌ হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা নুমিত হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ৭তি ঈনুঙলোননা ঈহিলেল হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা থাচা হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ৮তি ঈনুঙলোননা থৌৱাইমিচাক আপকপা ওইপানা পু আমা কৌখলে। খুনুঙ লোননা থৌৱাইমিচাক পী মলিক সিতপা চৈওন তলেত হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ৯তি ঈনুঙলোননা সাচিকনু হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা সাচিক হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ১০ তি ঈনুঙলোননা থাপাতোন হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা থাপা হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ১১ তি ঈনুঙলোননা খোঙচোম হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা নুপী হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ১২তি ঈনুঙলোননা সাচুং হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা তিলহৈপা হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ১৩ তি ঈনুঙলোননা মোংকা হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা সলংকা হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ১৪তি ঈনুঙলোননা ওকপুলোই হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা তাউহুইলেং

লৈতোনতা লৈপী লাইনৌ তাপী। ৩ মক আসি সাইওনতুনা মপালি ঈপুঙগো কোনসেন ভুলৈসেংপাতা প.উমেনতুনা তাকপীখিয়ে ॥০॥

# ১ তি ꯀ নে ॥

হে মী ওইপা তাপীও! তাঙ্গীপঙ পালপা মপুকী কোনপু ঈয়েক কোনপুঙ ঝাকোনপুঙ কৌয়ে ॥ ঝাকোনপুঙকী কায়াত লাইফমকী ল.াইমিং ১ তি তাইপঙপালপাকী মহৈ সিতপীনা সাঁলাইকী ফীসেত ৭ মক। নোংলোন ৭ মাকী মচু ৭ মক আসি খৈপীকপু মফম আতুতা লীনা লৈপনে।।০।।

লাংওন খ,তিংকী মী। সা। খোংলি লাউলিপা আসি খৈপীককী পুথোকনাফমনে।। মচু মমেন মেতথোকনাফমনে। আতুকী মালমনা ময়াইতা মৈ.লা চাঙ লৈপানে। কোনচাঙ কৌয়ে ॥ মাকী লাইমিং



মমিংতি হুং কৌয়ে॥ ঈয়েক আসিপু ঈনুঙলোননা ঝাকোন কৌয়ে॥ খুনুঙলোন খোনথোক ঈনিননা কে.াক কৌয়ে॥ কে.াককী ঈয়েকতি অসিনে ( ꯀ ) লে.পনা খংপীও॥০॥

# ২ তি ꯁ নে ॥

তলঙ ঈপুঙ লে.াইনপা আপকপা মসানা ওইপা মিহুন। সম। তু। খুচিননচিংপা সিংলি পাফন ১০৮। মিহুন ৮৪। তাংসমলি ২৭। থাপুঙ ১০ কী ঈফা ঈমেনফম। থোঙলোন ৯। পনখৈ ৮। ঈলম ৭। কায়াতকী কা ৬ মখোইসুং ঈপুংলোইদপা আপ.কপকা লে.াইনলিপা মসে.ননে। আতুকী মলমনা সিংলি

পাফন কৌপনে॥ মাকী লাইমিং মমিংতি ঈনুঙলোনিনা সিংলি কৌয়ে। খুনুংলোন খোনথোক ঈনিননা স.ম কৌয়ে॥ স.ম কী ঈয়েকতি আসিনে ( ꯁ ). লেপনা খঙপীও॥০॥

# ৩ তি ꯂ নে॥

তাইপঙপালপ্গী মপু সিতাপানা খঙতপাপু খঙহললে॥ লাইকী লাই আলুপানা খু.মা. হাননা লৈলে হাইপাকী লাইলোতপাসুং কৌয়ে। মাকী লাইমিং মমিংতি ঈনুঙলোননা লাই কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ঈনিননা লাইপক কৌয়ে॥ লাইকী ঈয়েকতি আসিনে ( ꯂ ) লেপনা খঙপীও॥০॥

৮

# ৪ তি ꯃ নে॥

| আতীংআ সিতপাকী মমিত মনুঙতা লৈপা মিতনাহা আতুপু মাললে হ.াইপাকীপু মি কোয়ে॥ মি আতুপু য়েংনা সাখিয়ে হ.াইপাকীপু মী কোয়ে॥ মী আতুপু খঙননাপা হ.াইতুনা আতীংআ সিত-পাকী মমি.ত মনুঙতা লৈপা মমিপু য়েংতুনা সাখিপানা অতৈ আমনি খঙননাপা হ.াইতুনা মী-আতৈ কোয়ে॥ মিতা সাইওন তৌতুনা পোকপা সাপা তাইপঙ মীনা। মীতৈ হ.াইনা কৌখলে॥০॥

সিতপাকী মসকতি মিনে। মিকী লাইমিং মমিংপু ঈনুঙলোননা মি. কোয়ে। খুনুঙলোন খোন-থোক ঈনিননা মি.ত কোয়ে॥ মি.তকী ঈয়েকতি আসীনে ( ꯃ ) লেপনা খঙপীও॥০॥

# ৫ তি ꯄ নে ॥

লাইকী ফমপীতি আসীনে খঙপীও ॥ চুপ আমাতি সিতপা মপুকী মমিপু ফ.াতুনা লেঙহনতুনা স্তুমলে। থমলে। পকলে। হ.াইপকীপু পিস্নুম কৌয়ে॥ পি.সুম্‌কী লাইমিং মমিংপু ঈন্নুঙলোননা পি কৌয়ে। খুনুঙলোন থোনথোক ঈনিননা পা কৌয়ে॥ পাকী ঈয়েকতি আসীনে ( ꯄ ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

# ৬ তি ꯅ নে ॥

হৈ-না মপান থাপা হা-না মাউ লিংপী কৌপতি ফমপী কোনতকী নৌবা আঙাং মলু হুনপা ওইখিয়ে॥ আতুনুংকীতমকনা ঈয়েক মিংলেল মিংথৈ কৌপতি নুঙসাপু কৌয়ে॥ কামপী মৈ.। লাইচা



ঈসিঙ। মালঙপা নুংসিত আহুম আসিপুস্নুং মিংলেল মিংথৈ নাকৌং কৌয়ে॥ কায়াত ১১। আমাতি সিংলি পাফন ১০৮ কী লুচিংপা পাফনলি ১০ নে। খোংলম ৯ নে। পনথৈ ৮ নে। ঈলম ৭ নে। আসি থৈ -পীককী মলিনপু নুংতকী সিতলকতুনা তেংঙে হ.াইপাকীপু নুংসিত কৌয়ে॥ নুংসিততকী সৌপাতি না আনিমকনে॥ মিংলেল আসিপু ঈন্নুঙলোননা নুংমালং কৌয়ে। খুনুঙলোন থোনথোক ঈনিননা না কৌয়ে॥ নাকী ঈয়েকতি আসিনে ( ꯅ ) লে.পনা খঙপীও ॥০॥

# ৭ তি ꯆ নে ॥

মৈ.। ঈশিঙ। নুংসিত ৩ মানা পুননা চীলওকননা লৈলে হ.াইপকীপু চীলওকনপা কৌয়ে॥ তাইপঙ পালপকী হুকসাং ওইলিপা আসিতা থৌবাই লৈলিপা থৈপীক্ আসিপু মঙালতা য়োমনা লৈলে। নি.ক

-হনতে হ.াইপকীপু ৱাকোন চীঙ কৌয়ে॥ লাইমিং আসিকী ঈয়েক আসিপু ঈন্নুঙলোননা চীঙ কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ঈনিননা চীল কৌয়ে॥ চীলকী ঈয়েকতি আসিনে ( ꯆ ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

# ৮ তি ꯇ নে ॥

কামপী মৈ তলঙ। লাইচা ঈসিঙ তলঙ। মালঙপা নুংসিত তলঙ। আহুম মানা নৈতলিঙৈ। তলঙ ওইনা নৈলিঙৈকী মমিংপু তলঙ ঈপুঙ কৌয়ে॥ তলঙ ঈপুঙকা ঈয়েক আসিপু ঈন্নুঙলোননা তিল-লাং কৌয়ে। খুনুঙলোন ( ল ) খোনথোক ঈৰ.াই ঈনিননা তিল কৌয়ে॥ তিলকী ঈয়েকতি আসীনে ( ꯇ ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

# ৯ তি ꯈ নে ॥

হে মী লাই ওইপামা! তাপীও ; হ.াইলপানে॥ সানা চীঙকী মতিকনে খঙপীও ॥ মরাইথোঙকা কৌপাতি খৌনাউপুনে। তাইপঙপালপা ১ মানে॥ মাংতা হ.াইখিপা সীঙথাফম কৌপাতি থানে॥ সিতপা মপুনা ঈমাঙথোঙতা থু.ংনা নৈলে হ.াইপাকীপু ঈন্নুঙলোননা খে.া কৌয়ে। খুনুঙলোন

খোনথোক ঈৰ.াই ঈনিননা খৌতাঙ কৌয়ে॥ খে.ৌকী ঈয়েকতি আসীনে ( ꯈ ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

# ১০ তি ꯉ নে ॥

মালঙ নুংসিততকী সৌপতি লাইপুঙথৌ ৭ কী ৭.নথৌ ৮ না থৈলপা উমংলাই ৯ আসীকী মনুঙতা লৈপা লাইনিঙথৌ লাইলেলমা আনিমা তুলে। অাতুকী হাংখু.মপা মচুমতাকী সৌপতি খে.াইনে। ঙকসমনে ২ মানে॥ মমিত আনিমাতি লা ই আপিসানে॥ লৈংৎহকী সৌপাতি ঙোনে॥ হে মী ওইপাসা!



লেপনা খঙপীও॥ ঈয়েক অসিপু ঈনুঙলোননা ঙো় কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ঈৰ.াই ঈনিননা ঙক কৌয়ে॥ ঙো়কী ঈয়েকতি আসীনে ( ꯉ ) লেপনা খঙপীও॥০॥

# ১১ তি ꯊ নে ॥

হে মী লাইকা তৈনলাপাসা! য়েন আমা হ.াইকে॥ লৈপাক চাউয়ে। লৈপাক ফৈয়ে॥ মৈ.নে। ঈসিঙনে। নুংসিতনে ৩ মাকী লিখুনপু খঙলপাসুং ফৈয়ে॥ লৈপাক অহিঙপীতাকী সৌখতলকপাতি লৈনে। আমানা ১না খঙলাপতি লৈপাক হাইয়ে। ময়েং তাইয়ে॥ ঈসিঙতকী সৌপতি ঈখোমনে; তাইপঙ থৌৰাইনে॥ ঈয়েক খোনথোক অসিপু ঈনুঙ লোননা থৌপাক কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ঈৰ.াই ঈনিননা থৌ কৌয়ে॥ থৌকী ঈয়েকতি আসিনে ( ꯊ ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

# ১২ তি [illegible] নে ॥

সিতপা মপুনা মী। সা। ঙা। হংঙোই। য়োং। তীল। কাঙ। ৰাহি। খালৌ। কাউচেং। হয়িং। খেইয়া। তুমিত। য়ুলান খোংলি লাউলিপা খৈপীককী থৌৰাইপু লেঙহনতনা মপুকী কোনচিতা খুমনা লৈয়ে হ.াইপকীপু খমসঙ কৌয়ে॥ খমসঙ আতুকী মনুংতা থৌৰাই লৈ হ.াইপকাপু ৰ.াইসঙ কৌয়ে॥ ৰ.াইসঙ আতুকী মনুঙতা লৈপকী মিংলেল মিংথৈতি হ.া হ.া হুঙ হুঙ কৌয়ে॥ হে মাও! পঙনা হ.াই-কুনো? নহাক নিঙও? তাইপঙ লাইনিঙথৌকী মালঙ ৰ.াই কৌপতি আসীনে॥ মনুঙ কৌপা কং-লৈতি আসীনে॥ ঈয়েক খোনথোক আসিপু ঈনুঙলোননা ৰা কৌয়ে॥ ৰাকী (কোনকী) ঈয়েকতি

আসীনে  ॥ খুনুঙলোন খোনথোক ঈৰ.াই ঈনিননা ৰ.াই কৌয়ে॥ ৰ.াইকী ঈয়েকতি

আসীনে ( [illegible] ) লেপনা খঙপীও॥০॥



# ১৩ তি [illegible] নে ॥

সিতপা মপুতি তাইপঙ পালপকী মাইকী অয়ুঙপা ৰাকোনকী চনিঙতা লোননা লৈলে হ.াই-পকী লোনচা আলিপা য়াঙপী কৌয়ে। মিংথৈ মিংলেলতি পুঙতালিক কৌয়ে॥ তিং পালপা মপুনা আয়ুঙপা ৰাকোন ফোলাংতা ফাউলকলে হ.াইপকী ঈনুঙলোন কৌয়ে॥ ঈনুঙলোন কৌপতি মপুকী নিংসাকী মসকনে। মসিপু লাইকী লোলনে॥ মপু সিতপানা ৰাকোন ফোলাং চীঙতোলতা তাইপঙ-পালপা মপুপু খুনথোকহললে হ.াইপকী খুনুঙলোন কৌয়ে॥০॥

তাইপঙপালপা পুমনমকনা কায়াত ১১। পাফললী ১০। ফৈতোম ৯। পনথৈ নিপান (৮)। লিক-লম ৭। খোংলম ৩ (অহুম) মাতা য়াঙনা ঙাললৈ॥ থে.াৰাই লৈলিপা খৈপীকনা তাইপঙ পালপকী মপাতি আসীনে হ.াইনা পুমনামকমা নোললে॥ সিতপকী মমিনা থা ওইনা হুনথালকলে: হ.াইপাকী

চেললৈ য়েক কৌয়ে।। ঈয়েক আসীপু ঈনুংঙলোনকী ঈয়েকনে য়েক কৌয়ে। খুনুংঙলোন খোনথোক ঈৰ.াই ঈনিননা য়াঙ কৌয়ে।। য়াঙকী ঈয়েকতি আসীনে ( ꯌ ) লেপনা খঙপীও ।।০।।

# ১৪ তি ꯍ নে ।।

তাইপঙপালপা মপুনা। তিংপালপা মপুকী ফমপী য়ৌলাপতা হললু ; নপা ফমপীতি আতীংআ সিতাপাকী মপুকী মমিনা চুপ আহুম ওইনা। সিতপা মপু ঈপুঙ লে.াইনপা আপকপাপু ঙাকনা। লৈয়ে।। চুপ আহুমমকতি লাকপন থাঙফমনে।। মৈ.নে। ঈ.সিঙনে। নুংসিতনে। লৈ.পাকনে। ৪ মকনা ফানখোং চুপ ওইনা তিললাকা। নোংথৌনা সেকপীন থকখন ওইলাতুনা। আতুকী মনুঙতা মমিনা পুসিনপীয়ে হ.াইপাকী ৰাকোনপুঙ কৌয়ে।। ৰাকোনপুঙ য়ৌলপাকা থৌৰাই লৈলমলে।। আতুকী মলমনা



হুকসাঙতা হোহলকলে হাঙলে হ.াইপকী মমিংপু হাঙসুঙ কৌয়ে। ঈয়েক আসীপু ঈনুংঙলোননা হুক কৌয়ে। খুনুংঙলোন খোনথোক ঈৰাই ঈনিননা হুকসাঙ কৌয়ে। হুককী ঈয়েকতি আসীনে ( ꯍ ) লেপনা খঙপীও ।।০।।

# ১৫ তি ꯎ নে ।।

হে মী থৌৰাই লৈপাসা! তাইপঙপালপাকী মপু সিতপানা আয়ুঙপা ৰাকোনকা ফোলাং মতোনতা। ঈমিংথোঙতা মপু সিতপানা থিলথোকলকলে। নোংথোং হাংলে হ.াইপাকী নোংথিল কৌয়ে ; খঙপীও! চকপালোন সাইওনকী লাংওন ১ (অমা) তা খুতপুন চীঙতা তাইপঙকী লাইনিঙথৌ ওইয়ে।। আতুকী য়াইপীলেল মনুকী মিংখৈতি হুঙ হৈ হা হে হিঙ কৌয়ে।। লাইনিঙথৌকী

লৌউফমসুঙ মাঙচীঙনে। চাতুম পাললে। ফীতি চীঙপীতা পাললে॥ মফম আতুপু সিননাইফমসঙ কৌপানে॥ উপী উলে.লতি লাইওই চাঙতাকী মসানা চতলে উনঙাল কৌয়ে॥ সায়ালতা সা থোকলে। সা আতুপু ঈনুঙলোননা উন কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ঈৰাই ঈনিননা উনসা কৌয়ে॥ উনকী ঈয়েকতি আসীনে ( ꯎ ) লেপনা খঙপীও॥০॥



# ১৬ তি ꯏ নে ॥

লাই কৌপাতি তাইপঙপালপা মপুকী মাইওকতা লৈ হ.াইপকী লাই কৌয়ে॥ লাইপুঙথৌ ৭কী ঈলম ৭ তা। ঈথোঙতা সৌলে মপান সাপা কৌয়ে॥ হে মী লাই মালপাসা! আলুপা ৰানে; সিংনা তাপীও॥ ঈলম ৭ মকনা নুংসিতকী মতোন সানাচীঙতা সিতপাকী লেঙতপাকী মমিংতি। আনৌপা ঈ আতুপু হুনথালকপাপু য়োমসিললে হ.াইপাকী নৌয়োম কৌয়ে॥ লৈপাক আহিঙপীতা থমলে। ফমপী সালে নৌফম কৌয়ে॥ নৌয়োমনে। ফমপীনে। মফম আনিমকপু নুংসানা লেঙলে মমিংতি খোইলাল নাউথিঙকোন কৌয়ে॥ নিংসা আভুনা মাইওকনন। লৈলে। মিকুপ আহুম সেমলে॥ মিকুপ ৩ মাতা সুনা লৈলে -- মিকুপ ১ তা আমমপা লৈমুলোন আহুমকী লাইথোঙতা মমিনা মচীল ময়া পানতুনা মমিং ঈ লাই কৌনা লৈয়ে॥ ঈলম ৭ মাপু মানা হোতথাই চাইথাইলাপাকা ঈথোঙ হাংলে। ঈসিঙ চাইপা কৌয়ে॥ মিকুপ খুতিংতা সিনথোকলকলে হ.াইপাকী ঈসিঙ হলপা কৌয়ে॥ ঈয়েক খোনথোক আসীপু ঈনুঙলোননা ঈ কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ঈৰ.াই ঈনিননা ঈসিঙ কৌয়ে॥

ঈকী ঈয়েকতি আসীনে ( ꯏ ) লেপনা খঙপীও॥০॥

# ১৭ তি ꯐ নে ॥

ৰাকোন চীঙ কৌপাতি। তাইপঙপালপা মপুকী কোনপু ৰাকোনপুঙ-চীঙ ফমপাল কৌয়ে॥ মপু সিতাপনা মৈ.নে। ঈসিঙনে। নুংসিতনে। ৩ মা অসি চাইনাহনতুনা নোংলোনতকী হুনথালকতুনা থৌ.ৰাই লৈলিপা খৈপীকনা লাপা আমোম মসক খঙতাপাপু খঙহননাপা য়াহিপ-ফমফম। চাকচা। য়াওন-কোলোই। লোইনা-চাননা। নুঙসি নুঙওন। ৰাহৈ। লমচত। অলু-অহেন। মহৈ-মসীন। কংলৈলোন। লোইন-সিললোন। লোইন-সিললম। লোইন - সিনথা অসি খৈপীককী থে.াকহলপী ফমপীনে॥ ঈয়েক আসীপু ঈনুঙলোননা ফম কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ঈৰ.াই ঈনিননা ফমপী কৌয়ে॥ ফমকী ঈয়েকতি আসঙনে ( ꯐ ) লেপনা খঙপীও ॥০॥



# ১৮ তি ꯑ নে ॥

ঈপুঙলোই আপকপানা নুঙপুঙ ৰাখন তৌতুনা। চকপালোন পুমনামককী সিতপাকী কায়াত লাংপুমকী ঈয়েক ঈনুঙলোন খুনুঙলোন খৈপীকপু ঈপুঙলোই আপকপানা সাইওনতুনা লৈপথিপা ঈয়েক ঈপীকী ঈয়েক আসীপু খাকপা লৈতনা ঈপু আথৌপা। কোনচীন তুকথাপা পাখঙপাপু য়েংতুনা লীপীয়ে ॥০॥

ঈপুঙলোই আপকপকী সাইওনকী ঈনুঙলোনকী হা হুং হৈ হে হিং কৌপা আসীনা ৰাকোক-লোনকী মিংখৈ ওইলাতনা মৈ.নে। ঈসিঙনে। নুংসিতনে। লৈপাকনে। নোংথৌনে। নুমিতনে। থানে। থৌৰাইমিচাক নিঙথৌ সিতাপনে। চৈওন ৭ নে। সচীকনে। থাপানে। খোংচোমনুপীনে। সাচুংতিলহৈপানে। মোংকা সলংকানে। ওকপুলোই তাউহুইলেংনে। লৈচিননে। চুমথাঙনে। নোং-থাঙকুপনা খোংপনে। সুপনা ফাইনা তিনতুনা। তলঙ ঈপুঙলোইনপা আপকপনা ঈয়েক ১৮ আমতি

সীংথালোন চৈসীঙ ঈয়েক ১ (আমা) তা সাইওনতুনা আতীংআ সিতপা আহাংপা হ.াইনা কৌখলে॥ ঈয়েক আসীপু ঈনুঙলোননা ১ (আমা) কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ঈৰ.াই ঈনিননা আতীংআ হ.াইনা কৌখলে॥ আতীংআকী ঈয়েকতি আসীনে ( [illegible] ) লেপনা খঙপীও॥ — —

꯱: ঈনুঙলোনকী চৈসিঙ ঈয়েক আসীকী মতুঙইননা আমাতকীনা আমা ফুনপু। তালা হ.াইনা কৌখ.লে ॥ ꯱ আমা) তকীনা। ꯲ (আনি)। ꯳ (আহুম)। ꯴ (মলি)। ꯵ (মঙা)। ꯶ (তলুক)। ꯷ (তলেত্)। ꯸ (নিপান) ꯹ (মাপন)। ꯱꯰ (আমা) ; ফুন : তালা ফাউপা ওইতুনা মপুকী মিংলেল মিংখৈ ঈয়েক ওইনা লেপখলে॥



আমতি মপুকী মিংলেল মিংখৈ ঈয়েককী খুনুঙলোন ওইপানে। খঙপীও॥০॥

হে মী লাই ওইপাসা! তাপীও॥ হ.াইলাপানে॥ ৰালম আমসু হ.াইকে — — তেঙপালপাকী মতীকনে। নমু তাইপঙমীকী থৌৰ.াইকী মচাকনে হ.াইতুনা ঈপুঙলোইনপা আপকপানা থৌৰাই-মিচাক আপকপা ওইখিয়ে॥ আমাতকীনা ১ (আমা) তা ফুন ১৩ (তালাহুমথোই) ফাউপাপু থৌৰাইমিচাক আপকপা ওইপনা পু আমনি হ.াইখলে॥ থৌৰাই-মিচাককী মমিংপু আমা। তালা। চা। লীসিঙ। লী -সিঙতালা। লীচা। লীচা তালা। লীপুন। লীপুন তালা। লীপোত। লীপোত তালা। লীকৈ। লীকৈ তালা। পু ১ ফাউপা ওইতুনা মপুকী মিংলেল চৈসিঙ সিঙথালোন ওইনা লেপখলে)॥ আমতি মপুকী মিংলেল মিংখৈ ঈয়েককী সুপনা ফাইনা খঙনপপু ঈনুঙলোন খুনুঙলোন ওইপনে॥ তাইপঙপালপানা মমিং ৰাকয়ৈ হীকা নাউকা ওইনপা। লাননাপা মিংলেল ঈয়েকসিংসে। থৌৰ.াই লৈলিপা কায়াতকী সুপনা ফাইনা তিনতুনা। ঈপুঙলোইনপা আপকপাকা লোইনলিপা মসেননে। লেপনা খঙপীও॥০॥

হে মীওইপাসিংও! হুচীকতি ৰালম আম্না হ.াইকে-- ঈয়েক ঈপী ১৮ আসীকী মতুঙইননা ৰাকোকলোন আমতি ৰাহৌলোন। ঈনুঙলোন। খুনুঙলোন ঈয়েককী চমনানপাতা থোকলকপা ঈয়েক মচেত আসীপু লোলসুম ঈয়েক কৌয়ে॥ লোলসুম ঈয়েকসিংতি আসীনে (ꯀ ꯁ ꯂ ꯃ ꯄ ꯅ ꯆ ꯇ ꯈ ꯉ)॥ ঈয়েক তালা আসী ঈয়েক ১৮ কী লোইন্পা লোলসুমনে॥ লোলসুম ঈয়েকসিং আসীনা ঈপী ওইনা সিচিননাপতা ঈয়েককী খোনথোক ঈৰাই ঈনিলপু আসুমপা ওইকনিয়ে।। ৰালম আমসু হ.াইকে-- ৰাহৈকী লোলচন পীপতা ঈয়েককা-ঈয়েককা পুননাপতা। খোনথোক ঈৰাই ঈনিন পুপাতা ঈয়েক মচেতনা হৌপনে॥ মসিপু



ৰাকোকলোনকী ৰাহৌলোন ওইপনে লেপনা খঙপীও ।।০।।

# ১ তি ꯱ নে ॥

ঈয়েককী ঈৰাই ঈনিনকী মতুঙইননা পকনা পকননা নপতুনা থোকলকলিপা খোনথোককী ঈৰাই ঈনিন আতুকী ফোঙপতা। নিংসাকী ঈৰাই ঈনিন আতুকী ঈয়েকপু লোলচন চৈতপ কৌকাতনে। আতুকা ঈয়েককী মসাতা নপই হ.াইপকীপু চৈনপসু কৌয়ে॥ ঈয়েকনা মকোকনে। চৈতপনা মখুতনে। লোলসুমনা মখোঙ ওইলাকা। আহুম অসি পুনতুনা তাইপঙপালকী হুকসাঙ ফিলেপ ওইপাকুমনা হুকসাঙ ফিলেপ কায়াততাকী থোকলকপা ৰাহৌলোন। ৰাহৌথোক। খোনথোককী ঈৰাই ঈনিননা

ৰাহৈকী লোলচন পীতুনা আলেপপা মসক তাকলিপা অতুপুনা লোলচন কোকাতানে হ.াইনা খঙপীও ॥০

ক্সাসুম তৌনা ঈয়েক চৈতপনে। অসুমপা লোলসুমনে। আনি অসি য়াউতালাপতি ঈনু-লোন খুনুঙলোন খোনথোককী ঈয়েক ওইপা য়ালোইয়ে॥ আতুকী মলমনা তিংপালপা মপু ঈপু-লোইনপা সিতাপা মপুনা তাইপঙপালপাকী ৰাকোন কোকতা ঈপুঙকী ঈ আতুনা ওতনা ওতনন নপনা লৈয়ে হাইপাকী ওতনপ কৌয়ে॥ ওতনপকী ঈয়েকতি আসীনে (  ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

## ২ তি  নে ॥

ওতনপকী ঈ অতুনা সিঙলি আতুতা নপতুনা লৈয়ে হাইপাকী ইনপ কৌয়ে॥ ঈনপকী ঈয়েকতি আসীনে (  ) লেপনা খঙপীও ॥০॥



## ৩ তি  নে ॥

ঈনপ আতুনা আতীংআতা লাই ওইনা নপনা লৈয়ে হাইপাকী আনপ কৌয়ে॥ আনপকী ঈয়েকতি আসীনে (  ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

## ৪ তি  নে ॥

ঈ আতুনা আতীংআ সিতপাকী মমীত মনুঙতা ঈনা সাইওন তৌতুনা চৈতপ ওইনা মীকী মসক ওইতুনা নপনা লৈয়ে হ.াইপকী ঈনপ কৌয়ে॥ ঈনপকী ঈয়েকতি আসীনে (  ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

# ৫ তি  নে ॥

ঈ আতুনা থোপাকতা সোকনা সৌননা নপনা লৈয়ে হ.াইপাকী সৌনপ কৌয়ে॥ সৌনপকী ঈয়েকতি আসীনে (  ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

# ৬ তি  নে ॥

ঈ অতুনা য়াঙতা য়েতনা য়েতননা নপনা লৈয়ে হ.াইপাকী য়েতনপ কৌয়ে॥ য়েতনপকী ঈয়েকতি আসীনে (  ) লেপনা খঙপীও ॥০॥



# ৭ তি  নে ॥

ঈ আতুনা উনতা নপয়ে হ.াইপাকী উনপ কৌয়ে॥ উনপকী ঈয়েকতি আসীনে  লেপনা খঙপীও ॥০॥

# ৮তি  নে ॥

ঈ আতুনা চৈথন ওইনা পকন পবননা লৈয়ে হ.াইপাকী চৈনপ কৌয়ে।। চৈনপকী ঈয়েকতি আসীনে (  ) লেপনা খঙপীও ॥০॥

# ৯তি ৭ নে ॥

হুং হিং নিং তা তপলিপা চৈতপ চৈনপ আসীপু নুং কোয়ে। নুংকী ঈয়েকতি আসীনে ( ● ) লেপনা খঙপীও ॥ আসুম তৌনা তিংপালপাকী মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপাকী ঈয়েক ঈপী ময়েকপু তাইপঙপালপা মী ওইপাকী কায়াতনুংতা থুপনা থমতুনা। ঈনুঙলোন খুনুঙলোন ওইনা লাইকী লোল লাইলোল হ.াইনা কৌখলে॥ ঈপুঙ লোইনপা সিতপা মপুনা থককা খাকা ২ কী তাইনপা মলকতা সাইঙনতুনা। ঈপুঙঙো মহাককী থৌসিননা হা-হুক কায়াত লেপলিপা। থৌরাই লৈলিপা পুমনমকনা মপুকী লিখুন থিনানপা আমাতি মাপু আমা লৈ হ.াইপা খঙনাপকীতমক। ঈপুঙঙো মহাককী থৌসিননা লাইয়ামসিংপু পুথোকতুনা। লাইনিংথৌ সানাইলেল সিতাপকী মফমতা তলঙ লাইপাউ পীতুনা। নুমিত



৩নি সুপাকী আঙাংকী মতমকুমনা সানাকী মসক মালপা নোৱা ১ ( অমা ) ওইনা লৈলমকে। ঐ আসিপু নহাককী নচামকনি নিঙতুনা ঐপু য়োকলো ॥ হায়েং চক আমাতা তাইপঙপালপা মনুঙ ওইননপাতা। লাইয়ামসিঙকী ঈয়েক খোনথোক মতুঙইননা মাঙতানপা উলি ৱালি। মীনাচিংনা অসি খৈপীকপু সালকপা মতমতা ঐনা নঙকী নতেং পাংকনি হ.াইনা তলঙ লাইপাউ পীখিয়ে॥ লাই পাউকী লিখুন লীকলমপু লাইয়ামসিংনা তাচাখি ॥০॥

আসুম ওইপা লাইপাউকী মতুঙইননা সিতাপাকী ঈসাইফু ঈলোননুংতা নুমিত হুমনি সুপাকী নৌঋকী মৰোং ওইনা সানাকী মচু মানপা নোৱা আমা লৈলমলে॥ নোৱা অতুপু য়েংলাকা সানাকী মসক মানপা আঙাঙপা মচুনা লৈতেংপা মাহী অতুপু উপাতা সানামহী হ.াইপা মিংথোনপু পীতুনা মচাকী মতমকুগনা লোখতলে॥ অসুম তৌনা লোখতুলাপাকা লাইলেলপী সিতাপী লাইলেম মাতা পীসিললে ॥০॥

হ.াইনা কৌলমকে॥ অতুকুমপা তাইপঙ মী আতুতা লাইয়ামসিংকী ঈয়েক ঈপী লাইয়েকসিংপু থ.পনা থমনাপাকীতমক ঈপানা মী সাউও হ.াইপানে। লেপনা খঙও॥ আতুকী মলমনা ঈপানা মথককী লাই-ফমসিংপু লীপনে॥ অতুকুমপা মপালী ঈপুঙঙো সঁনামহীনা সাপা মী ঙতুপু লৈমালেল সিতাপীনা উলুপাতকী। লাইলেলপীতি সিতপী তিললাং খোইতাতুনা মপুকী কোনতাকী তিললাং আতু তুক-থাখিতুনা লৈমালেলকী খোইচী থাতা তুঙতুনা নাউপুন ওইনা য়োমতুনা পীপুকনুংতা লৈখলে॥ আসু.ম তৌনা লৈলকলাপকা মপুকী কোনচিলতাকী তুকথাখিপা তিললাং আতুসু থাপুঙ তালা ফালাতুনা তাই-পঙপালতা ফ.াউলকলে॥০॥

আসু.ম তৌনা ফ.াউলাকপকা নুমিত ৬নি সুপাতা অনম অথৌ কোকতুনা। ঈম-কৈপু সেংতুনা। লাইচা ঈপাল থাতুনা। লাইনিংথৌ লাইলেলমা ২ মাপু সিতাপানা লৈপাক মাইপা থুলাই তাঙপা। নিঙথৌ মাইপা চিলাই হনপা সাতুনা। মাইচৌ ম.াইনৌ ওইলাতুনা। আমাইপা আমাইপী সাতুনা তিললাং অতুপু নাহৈ লাইলোল হাইতুনা আনম আথৌ কোকথোকলে॥ মলোল থোকলে॥ মলিন থে.াকলে হ.াইতুনা পালী আতোনপা। ঈসানৌ কোনচিন তুকথাপা হ.াইপা মিংথোনপু



ফংচৈয়ে॥ থাপুং ১০ নাউপুখিপানা মপাপুঙকী ফমপান ফাংথোঙ ৭ লকপু কোইতুনা ফমপান মেন তোংপা ফংচৈয়ে॥ ময়ামপুঙ সনামহীপু মসক খঙতুনা। নিঙথি থোইনা নিংতুনা তাইপঙমীকী ফমপান তোংচৈয়ে॥ ৰালম অসীনা পুকোকনে॥০॥

আসুম তৌনা পাখঙপানা মিংথোন ফংতুনা। সাইওন ১০ (তালা) পুথোকতুনা। মথৌ মঙম পাঙথোকপাতা মমিং তালামা ফংচৈয়ে॥০॥

হে মী লাই মালপাসা! তাপীও॥ আসাইকী লাইকী চক আকোইপা চকোই আকো.াইপা পল ওইপা লোনঃ চকপালোন পুমনামকতা য়াওলাপা ৰাকোকলোন ১তি ৰাহৌলোন ২তি ৰাহৌথোক অসি থৈপীককী লিখুনপু ঈনুঙলোন খুনুঙলোনকী ঈৰ.াই ঈনিন। ঈয়েক ঈপাপু ৰাহনথোকনা ফোং-তোকয়ে॥০॥

হৈ—চককী খুনুঙলোনতি। হৈ-ঈ আনি আতনা আতীংআ কোইলৌতাকী পানা চেনথালকয়ে হ.াইপাকী ঈপা কোয়ে॥ ঈকীপানে হ.াইতনা লেপনা খঙপীও॥ হৈ-ঈ-চক হ.াইপতি আসীপু কৌপানে। খঙপীও॥ হা-চককী খুনুঙলোনকী ৰাহনথোকতি—হানা ঈ আতুপু মাথোকতে। মাঙহনতে

লাইলেমমানা য়েংলকা ঙাঙলৈনপা নোংবা অতুপু উপাংতা আঙাঙ মিংথোন ফংতুনা চেতনা চাননা কোনসিললে॥ ৬ নি সুপা নুমিততা ঈথৌ ঈপাল লাংহললে। ঈম-কৈ সেংথোরকলে॥ ঈপালী অলীপা। পাকী লীলপা। পালী আহানপা। কোনসেন তুলৈ সেংপা মিংথোনপু ফংচৈয়ে ॥০॥

মতৌ অসুমনা লৈলাপাকা মপালীসু চাউলকলে॥ মপাপুঙকী য়াথং থোইয়া নিংথিপানা হ.াই -লকলে— মচাকী মফমতা - — ।পালী ঈপুঙঙো; কোনসেন তুলৈ সেংপা ! তলঙ লাইপাউকী মতুঙ -ইননা। পালী নঙকী নথৌ নঙম তাইপঙ মীপু সাপা হোলো হ.াইনা তাকপীলে॥ অতুকী মতুঙ ইননা মপালীনা মী সাপা হোথলে॥ আহানপাগী মপালী সনা মহীনা সাপা পোতলম অতুপু কতসিললে॥ হেকনা ওইপা য়াখিতে॥ মপাপুঙনা মথৌর.াইপু হাপতুনা। মমিংতপু থোনতুনা। নমু-মিতমঙা হ.াইনা কৌতুনা লাইচা ঈলোন-নুংতা থাথোকলে।।০।।

আসুম তৌনা মথং মথং সালকপতা। সোইনা-খননাখিতুনা। ঈকোন কোনপাতা সলাইলেল



সিতাপাকী পাউতাক মতুঙ-ইননা সাপাতকী মী ওইনা লেপতুনা মপাপুঙতা কতসিললে॥ মপাপুঙনা মিয়েং সানথৈ তালকলে— - ( পালী ঈপুঙঙো! ঈচানা সালিপা নমু তাইপঙমীতি। খকপনে—খকপকী ঈয়েকনে (।)॥ চৈথননে—চৈথনকী ঈয়েকনে (।;॥ থৈপানে—থৈপাকী ঈয়েকনে (॥০॥)॥ চৈথৈনে—চৈথৈকী ঈয়েকনে (॥)। লোমপানে—লোমপাকী ঈয়েকনে (.)॥ লু.মপানে—লু.মপাকী ঈয়েকনে (•)॥ পুনপানে—পুনপাকী ঈয়েকনে (—)॥ আপুননে- আপুনকী ঈয়েকনে (— —)॥ ঈচানা মী সাপতা সোইনা—খননালে। অঙকপা চঙলে অঙকপকী খুততম ঈয়েকনে (  )॥ ঈকোন—কোনপতা ঙকপন হংচায়ে হংপকী খুততম ঈয়েকনে (  )॥ অসুম হ.াইনা হ.াইখলে ॥০॥

ঈচানা সালিপা মী অসিতি মথৌৰাইপু হাপতুনা লোমকাতপানা। লাংপাচক ওইতুনা পোক-লাকতাপা পুমনামকতি পোকপা সিপা নাইলাকতাপনে॥ মমা পিপুকনুং কোনতকী তাইনাপা অসিতা থোকলকপতা ঙাইহাক পঙথাকতাপনে॥ পঙথাপা আতুকী মতুঙইননা ঈপানা তাইপঙ মী

হ.াইপাকী ঈমা কৌয়ে।। ঈকী মমানে হ.াইপাকীপু হা—চক কৌয়ে। লেপনা খঙপীও॥ কোন—চককী খুনুংলোনকী ৱাহনথোকতি ঈ অতু নাউপুন ওইনা য়োমতুনা। কোনসিনতুনা। থমমে হ.াইপাকী কোন -সিনপা নাউয়োম কৌয়ে।। কোন- চক হাইপাতি আসীনে লেপনা খঙপীও॥ লাংপা -চককী খুনুঙ -লোন্কী ৱাহন্থোক্তি— — নাউয়োম্ অতুতকী থাপুঙ ফালকতুনা লাংওললে হ.াইপাকী লাংপা—চক কৌয়ে॥ লাংপা চক হ.াইপাতি আসীনে লেপনা খঙপীও।। অতুকীতামক হৈ—চক। হা—চক। কোন —চক। লাং—চক। চক মলি আসীপু চকপালোন কৌয়ে॥০॥

ঐন্নে। ঈপানে। ঈপুনে। ঈপুথৌনে। ঈপুঙললে নাককপানে। মঙা আসীপু থৌয়ে হাইপাকী থৌৱাই কৌয়ে॥ তিংপালপা মাপু পুমনামকপুসু থৌয়ে হ.াইপকী থৌৱাইলেল সিতাপা কৌয়ে॥ থৌৱাই হাইলিপা আসীতি য়াইপীলেলকী তুংনাফমনি॥ য়াইপীকী তুংনাফমনা হুকসাঙ কায়াতকী লাংপুম ওইতুনা লৈলিপাসিনি।। কায়াতকী লাংপুম পুমনামকতা লৈপা মপুতি- তাইপঙপালপা মপু হ.াইনা কৌখলে॥ থৌৱাইলেল সিতাপানা ঈলিক ঈনাংসিত পী-পানা য়াইপীনা ঈলিক ইসৌ ওইপা ঙমপানে। লেপনা খঙপীকাতপানে॥০॥




তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপাকী লাইপুঙউকী কোলোই ময়াথংনা ওইখিপা মলমনা। তাইপঙপালপাকী চকপালোন পুমনামককী সেমঙমপা ঈ মতমতুকী চাননা চমনাপা লোমনা ঈয়েক লোমতুনা। লু.মনা ঈৱ.াই ঈনিন থোনথোকপু লু.মহলাল হাইপাকী খুনুংলোন অতুপু খুনুংলোলচুম কৌয়ে।। খুনুংলোলচুমসিংসে তাইনাপাতা লৈলিপা মী ওইপা. ঈচা ঈসু মীতে পুমনামককীতমকতা হ.াইচাপানে॥ হে নিংথৌও! ঈয়েক লিখুন আসিতি মতমতুকী মতুংইননা পুথোকপীকাতানে খঙপীও॥০॥

হে মীওইপাসিংও; তাপীও! ৱালম অমসু হ.াইকে ঈনুংলোন খুনুংলোন ঈয়েককী খঙননাপা লীখুনতি লাইলীক পোলপীলাং। ২তি লাপালোন য়াঙপী। ৩তি ৱাকোকলোন হিলেল থিলেল সলাই অমাইলোন। ৪তি থৌৱাই-মিচাক খেনচংলোন। ৫তি সাকোক সলাই থিলেল। ৬তি খুনুঙ -লোন সাকোক থিলেল। পুয়াসিং অসিতা য়.াউলিপা খৈপীকসে ঈচা ঈসু পুমনামকনা খঙনাপা ওইসুনো॥ ১ (অমা) তি সলাই অমাইলোনতা ২তি থৌৱাই-মিচাক খেনচংলোনতা য়.াউলিপা খৈপীকতো তাক -কুনো। ঐনা-ঐনা খঙনকতাপনে। ম.াইচৌ পুমনামক! লাইলীক আসিপু লোইপা ম.াইচৌসিংনা

পুয়া ঐপু তাচকে। খঙচকে হ.াইপা নৈলাপতি। লাইরিক ঐ অসিতো মিংথৈ আসীনা হোঁথোকপী -কাতানে। লেপনা খঙপীও॥০॥

লৈতোনতা লৈপী ঈয়েক লৈমা। ঈমা ঈপেমমা। লৈয়াইতা লৈপী লাইখুললেলপী ঈমা ঈপেমমা। লৈয়েংতা লৈপী লাইনৌ তাপী ঈমা ঈপেমমা। লাইলেলপী ৩কী মমিংতি— নুং—তলেঙ তলেঙপী কৌয়ে॥ আসী হ.াইনা লাইলেলমাপু পুনেমচৌও॥০॥

অসুম তৌনা ঈপুঙ লোইনপা অপকপানা মালেম লৈসাপু ঈনুঙপুঙতকী ফুকথত চিংথত থাং -খতলকপা মতমতা। সিঙপাকী নুঙপুঙ ৱাখন্দকী থোকখিপা লাইপুঙথৌসিংপু অপকপাতকী খাই -থোকলে হ.াইপাকী খাইপোক খাইথোকপা কৌয়ে। খাইথোকপাকী খুততমতি অসীনে (  )॥ লাইপুঙথৌসিংনা পুননা তিনসিননাতুনা থোকপা মতীকপু ঈপুঙ লোইনপামক ওইয়ে। পুনসিনপা তিনসিনপা কৌয়ে। তিনসিনপাকী খুততমতি আসীনে (  ) ॥ ঈপুঙলোই অপকপাকী



নুং—সা সা—তুমপু খাইথোকপা অতুনা ৱাকোনপুঙতা লৈপা লাইপুঙথৌ ৭তা য়েনথোকলে। য়েন -পাকী খুততমতি অসীনে (  ) ॥ ঈপুঙ লোইনপা অপকপানা তলঙ ওইনা লৈলিঙৈ। অমম অঙান খাইতলিঙৈ। মথননা ওননা—ওননা। সাইওন—লাংওন তৌতুনা হেংপালপাপু ওই -খিপা। লাইপুঙথৌ ৭ পুথোকখিপা। চৈঙন ৭ পু ওইখিপা আতুতাসু নততানা কোনসেন ভুলৈ সেংপা সীনামহীনে। মী খলোপানে। কোনচিন ভুকথাপা ঈপুথৌ পাখঙপানে পুমনামকপু ঈপুঙলোইনপা মপুকী মতীকনে॥ ঈপুঙলোই মথনতানা সুপনা ফাইনা হননা — হননা ওইখিপাপু পুনসিনপা হ.াইখলে॥ সুপনা ফাইনা পুননা য়েকখিপা ঈখিপা মলমনা মাকী মিংলেল খুততমপু পুন-ইপা কৌয়ে। পুনইপাকী খুততমতি আসীনে (—)॥ ঈপুঙলোইকী মতীকনা পুমনামকপু ওইখিপা হৌখিপা মলমপু ঈপুঙলোইনাপা অপকপকা অমততা ওইলে। মাননায়ে। মাননাপাকী খুততমতি আসীনে (  )॥ অসুম ওইপা ঈপুঙ লোইনাপা অপকপাকী মতীক ময়াইনা ওননা—ওননা পুথোকখিপা খৈপীকপু পলেম পনথৌনা পোকপীপানা খঙপানে॥ আতুকীতামকনা ঈমা

ঈপাপু পলেম পনথো কৌচাপানে॥ পলেম ঈমা। পনথো ঈপা অনিমানা পুমনামককী থোইপানে। অথোইপানে॥ মিতনা উপা লাই কৌপাতি মখোইপুনে॥ অসি লৈপাকীপু পলেম লৈমানা লুমপালা? পলেম ঈমানা মালুমঙ্ঈ॥ কোইলো নোংমাতোননা ৱাংপালা? পনথো ঈপানা হৱাঙই॥) সৈথাপানে। লেপনা থঙপীও॥০॥

ৱালম অমাসু হাইকে সিতাপাকী নুংপুঙ ৱাখনতাকী থোকখিপা লাইপুংথৌসিংনে। চৈঙন তলেতনে। তেংপালপানে পুমনামকপু তোপনা খননানা সমপল ওইনা থালে। সমপলকী খুতেমতি অসীনে ( () )॥ ঈপুঙলোই অপকপাকী ৱাকোনপুঙপু লাইপুংথৌ ৭ ওইনা য়েনখিপানা মমিং

আতুপু ঈয়েক হাইনা কৌখলে॥০॥

ঈয়েক ৭ মানা চৈঙন ৭ মা থোকয়ে॥ চৈঙন ৭ মানা থৌৱাইমিচাক ৭ মাসুং পোকয়ে॥ অসুম তৌনা তিংপালপা ১ (অমা) কী মঙংপু তাইপঙপালপা মঙং লেপননাপা হাইতুনা লাইনিংথৌ লাই -লেমমা ২ মাকী মফমতা লাইপুংথৌ ৭ না। চৈঙন ৭ না ওইলকপা মতুং-ঈননা নংকী নতেং পাংকনি॥০॥



ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোকপু নিঙতুনা ১ তি তলঙ সাইওনকী সিঙথালোন চৈসিঙনে॥ ঈনুঙলোন খুনুঙলোনকী ঈয়েক ঈপী ১৮ অমাতি ঈয়েক চৈতপ ৯ আমনে। লোলসুম ঈয়েক ১০ আমনে। থকপাকী ঈয়েকনে। চৈথনকী ঈয়েকনে। খৈপাকী ঈয়েকনে। চৈখৈকী ঈয়েকনে। লোমপাকী ঈয়েকনে। লুমপাকী ঈয়েকনে। পুনপাকী ঈয়েকনে। আপুনকী ঈয়েকনে। মী সালকপাকী আঙকপাকী খুততম ঈয়েকনে। হংপাকী খুততম ঈয়েকনে। আসিনাচিংনা লাইয়াম -সিংকী লাইমিং ঈয়েক ঈপী পুমনামকপু হাইলমলাকা ঈপুঙলোইনাপা আপকপাতি তলঙ নুংতা লৈখালে॥০॥

তলঙ পাউপু পীনাপী। ঈপুঙলোইকী য়াথংনা ওইখিপা মালেমনা লাইয়ামসিংনা হালাউলে॥ ঈপুঙলোইনা হালাউলে॥ য়াইফপাকী মতীকপু লাইয়ামসিংনা পেনচলে॥ অসুম তৌনা লোইপী চীঙকী চীঙতোনতা মফম্—মফম্ য়েংতুনা তুকা ৱাকা পানতুনা নুংঙাই থোইনা পানখলে॥ ৱাকোনপুঙপু সাখলে॥ ঈপুলোইকী হুমাং মালিকতাকী থোকখিপা; সালোই ফুলুপ মখৈনা অয়েতপাপু পীলকলে॥ ঈপুঙলোইনা লাইনিংথৌ নোংসাপাপু ওইতুনা সালোই ঙমনা হাতখলে॥ লাইনিঙথৌ নোংসাপাকী

চৈলাকনা সালোঙ্গৈ থৈপীক তুমখলে। অতুকীতমকনা নোংসাপা চৈসাক হাইখ্রে।। সালোইকী নিংঙোল চানু আমতি খাকতুনা থমখলে॥ অসুম তৌনা তিংপালপা ১ কী মথকনে। ময়াইনে। মথানে। অহুমনা অমততা ওইনা লেপপাকুমনা লাইয়ামসিংকী ঈয়েক ঈপীনা তাইপঙপাল্পাকী কায়াত নুঙতা লৈতুনা লেপপাসিপু তেংপালপকীতি মমৈ। তাইপঙপালপাকীতি পুকোক। লাইনিঙথৌ সলাইলেল। লাইলেলমা লৈমালেল সিতাপী ২ মানা মপালী ঈপুঙঙো সঁনামহী কোনসেন তুলৈসেংপাতা তাকপীখিয়ে॥০॥

আসীতা নত্তানা সঁনামহী লাই সিতাপানা মী সাপা লোইলাতুনা মথৌৰাই মমি হাপপাকী। মপাপুঙকী কায়াতনুঙতা চঙলাতুনা। মথৌৰাই মমিপু হোইথোকলে॥ হোইথোকলকপাকী কায়াতলোনকী পু—ৰালী কয়ামলুমসু তাকপীখিয়ে॥ আসুম তৌনা লাইয়ামসিংকী লাইমিং মিংথৈনা। নোংথৌ মলোন (মালেম) ৭ আমনে। লৈখালোন মলোন ৭ আমনে। অতুকী ময়াইতা মৈনে। ঈসিঙনে। নুংসিতনে। লৈপাকল্লে। নোংথৌনে। মঙামকনা লৈহৌলোন পুলোন ৫ মক হাইনা লেপখলে।। ঈয়েক ৫ মক আসীনা পুননা। ১ (অমা) হাইপা ঈনুঙলোনকী ঈয়েক। সিতাপকী মপুনা সাইওল তৌতুনা ঈমু




-লোন ৬ (তলুক) কৌনা লৈখলে।। অতুকী মলমনা লৈহৌলোন পুলোন ৫ মক। ঈমুলোন ৬ মক কৌনা লাইকী মওংপু মীতা সাইওন তৌতুনা লেপখলে॥০॥

আসুম তৌনা লাইকী লীকলম ১১ না লেপপাকুম। লাইকী লীকলমনি খঙননাপা হাইতুনা। লাইকী লীকঃ লাইলীক হাইনা কৌখলে॥ মতৌ অসুম তৌনা। নোংথৌ মলোন ৭ কী য়াফমতা তিংপালপা মপুনা সাইওন তৌতুনা তাইপঙপালপা সনথোকনাফমনি হাইতুনা সনথোং আ-পানপা কৌনা; মলা লেলফু ওইখলে॥ মালেম লৈখালোন ৭ না অমমপা লৈমুলোনকী মসককুমনা। তাইপঙপালপাকী তুঙনাফম লৈসা ওইনা লৈখলে॥ লৈলিপা অসিকী মওংপু; নোংথৌ মওং লেপপাপু নোংখোঙ হাইনা হাইখলে॥ লৈখালোন মওং লেপপাপু লৈখোঙ হাইনা কৌখলে॥ অসুম তৌনা লৈলোন নোংলোন লেপখলে। লৈহৌ নোংহৌ নাইখলে॥ অতুকীতমকনা থৌৰাই-মিচাক চৈওন ৭ মককী মতুঙইননা লাইলীক ঈয়েক ঈপীকী ঈয়েক ১৮ মাকী মমিংসু থোনখিয়ে।। লাইলীক ঈয়েক ঈপী ১৮ অসী য়াউপা লাইলিক মমিঙতি—— অহানপা কোইলৌ নুমিত খেনচঙলোন। অনিতি ঈহীলেল থাচা খেনচঙলোন। ৩ তি থৌৰাই-মিচাক খেনচঙলোন। ৪ তি সাকোক সনাই থিলেল। ৫ তি খুনুঙ

-লোন সাকোক থিলেল। ৬ তি পাফল লমপুপা য়াঙপী থিলেল। ৭ তি ৰাকোকলোন হৌলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক অসীনে॥০॥

অসীকী মতুঙইননা চৈওন ৭কী চৈকোক লাংমাইচীঙনা। তলঙ মালঙ ওইনা লৈলিঙৈতা। ঈনুঙলোনকী ঈয়েক ওইনা  (অমা) হ.াইলিপা চৈসিঙ ঈয়েক্না লেপতুনা লৈখলে॥ ঈয়েক ২ তি

নিংথৌকাপানা—  অহুম্ অসী ওইখিয়ে॥ ঈয়েক ৩ তি লৈপাকপোকপনা

—  অহুম অসী ওইখিয়ে॥ ঈয়েক ৪ মলিতি ঈমসাকৈসানা— 

 অহুম অসী ওইখিয়ে॥ ঈয়েক ৫ তি সাকোনসেননা—  অহুম অসী ওইখিয়ে॥ ঈয়েক ৬ তি ঈলাইনা—  অহুম অসী ওইখিয়ে॥ ঈয়েক



ঈয়েক ৭ তি থাঙচানা—  অহুম অসী ওইখিয়ে॥ আসুম তৌনা ওইখিপা লাইয়ামসিংকী ঈয়েক ঈপীকী ঈয়েকপু তাইপঙপালপা মপুকী হুকসাঙ কায়াতকী খুনুঙ ঈয়েক ঈপী ওইনা লেপখলে॥ আসীকুমপা খুনুঙ ঈয়েককী খোনথোক আসীপুসু খুনথোকলোন হ.াইকাতনে। লেপনা খঙপীও ॥০॥

আসু.ম তৌনা লাইনিংথৌ সিতপা সলাইলেলনা মপালী ঈপুঙঙৌ কোনসেন তুলৈসেংপতা চক-পলোনকী লৈঙমলকপা ৰাকোকলোন অমতি ৰাহৌলোন। অনিতি ৰাহৌথোক। ৩ তি ঈনুঙলোন খুনুঙলোন আসী খৈপীককী ওইঙমলকপা কয়াপু খাকপা লৈতনা তাকপীয়ে॥ আসু.ম তৌনা মপালী ঈপুঙঙৌ কোনসেন তুলৈসেংপা সনামহীতা তলঙ মালঙ লাইপাউকী মতুঙইননা পাউতাক পুমনামকপু লাইনিঙথৌ সলাইলেল সিতাপনা তাকখিপা মতুঙইননা হিকতোকপা লৈতনা। লাইকীতি মমৈ। তাই-পঙপালপা মীকীতি মকোক। মসানৌ ঈপুঙঙৌ কোনচিল তুকথাপা। পাখঙপা মিংথোন ফংখিপা। মনাউতা তাকপিলাকে নিংতুনা। ঈপুঙলোই আপকপনা মথননাতা লৈপা য়াততুনা হাইনা হুমমকপকী

হুঙ। হুং। কী ঈৰাই ঈনিননা নীকসিললকতুনা ফমচিল্লক্পাতা। থেংনালুপা অতুপু লাইকী মসানি
হ.াইতুনা লাইসা (লৈসা) হ.াইনা কৌখিপা অতুপু ঈনুঙপুঙতকী ঈপুঙলোইনপা আপকপনা ফুকখত
চীংখত থাংখতলকপতা লোইনালকপা। অমতি লাইসাপু থেংনাপাতকী থোকলকপা কামপী। লাইচা।
মালঙপা হ.াইনা কৌখিপা। লাইপুঙথৌ ৭ কী লাইমিং থোনতুনা ঈমাই ফাউখিপা। ঈমাই অতুপু
লাইকী খুততমনি— লাই মাললে হ.াইতুনা মালেম হ.াইনা কৌখিপা। তাইপঙপালপা ১ ওইলকনপা
ঈপুঙলোইকী নুংপুঙ ৰাথনতকী থোকখিপা পুমনামকপু তাকপীলাকে খনতুনা ১ তি থককা খাকা তাই
-নপা অনিকী মলকতা। লাইকী মহৈপু তাইপঙ মীওইনা পালহললে। অতুকী মলমনা তাইনপাতা
পাললে হ.াইতুনা তাইপঙপাল কৌখিপা। অসৌ খৈপীককী মলমপু মসানৌ ঈপুঙঙো কোনচীল তুকথা
-পাতা তাকখিপা মলমনা। মপুকী মিংলেল— হা। হুং। হৈ। হে। হিং। য়াইপীলেল মিংথৈপু ঈপু
আথোপা পাখঙপানা ফংচায়ে॥ লাইনিঙথৌতি পাংকনপানা হুত্তঙঙা সাইওন তৌতুনা চীঙপু হুত
-তোকতুনা চীঙনুঙহুত্ হ.াইনা কৌখিপা মফম অতুতা লাইচা ঈসিঙপু চিথোকখিপানা। কংপা হাললে
হ.াইতুনা কংলা থেন্পুঙ হ.াইনা কৌখলে॥ কংলা থেনপ.ঙ মফম্তা লাইয়াম্সিংনা লেপ্নপা মফমতা



কায়াতলোন য়েংতুনা ঈমসালে। মফম অতুপু কংলা ঈমফম কৌখলে॥ কংলা ঈমফম মফমতা লৈলোল
নোংলোল কায়াত ১৪ কী লাইফম সে.মখলে॥ সেমখলাপা মফম্তা লাইয়াম্সিংনা পানপা মফম্নে
হ াইতুনা লাইফম হ.াইনা কৌখলে॥ লাইফম কৌপা মফমনা লৈপা লৈপাকপু কংলৈপাক হ.াইনা
কৌখলে ॥০॥

কংলৈপাক কৌপা মফমতা লাইনিঙথৌ সিতপা সলাইলেলকী হুকসাং কায়াতকী নুংপুঙ ৰাখননা
ত.াতুনা থোকখিপা লাইলুপ ৭ মাপু পাখঙপানা পাননাতুনা। মতমকী খোঙলৈতা পোকখিপনা। খোঙ
-লৈকী মতুঙইননা। নুলা ঈপেমমা লাইকোক হুইমুলৈ পুকসি খোমপীনা অয়ুককী খোঙলৈ মচুনা
ঙাঙপা মতমতা। নাউসংতা পোকখীপানা। নৌৰাপু মঙাঙ্ মিংথোন্ ফংচাখিয়ে। ওক্সঙ্তা থমখিয়ে ॥০॥

নুলা ঈপেমমা হুইমুলৈমানা কোইলৌ মমিনা ৰাংনা ঙৌনা য়ুংপা খোঙলৈ মতমতা নৌৰানা
তাইপঙপালতা ফ.াউপানা লুৰাং মিংথোন ফংচাখিয়ে॥ লুৰাংপু নাওস.ম সঙতা থমখিয়ে ॥০॥


নুলা ঈপেমমা লোইখুমপী মৰাই থোংঙাইলেলপীনা। কোইলৌ মমিনা খু.না মমপা য়ুপা
খোঙলৈ মতমতা। নৌৰা আঙাঙনা তাইপঙপালতা ফ াউলকপানা খুমন মিংথোন ফংচায়ে॥০॥

হাইনা হ.াইখলে ॥ ১৫ তি ঈনুঙলোননা লৈচিন হ.াইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা নোংফাই হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ১৬ তি ঈনুঙলোন খুনুঙলোননা চু.মথাঙ হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ১৭ তি ঈনুংলোন খুনুঙলোননা নোংথাঙ কুপপা হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ১৮তি ঈনুঙলোন খুনুঙলোননা নোংথৌ খোংপা হ.াইনা হ.াইখলে ॥ ১৯ তি ১ (আমা) হ.াইলিপা ঈপুঙ লোইনপা আপকপানা থৌৰাইমিচাক চৈয়োম ৭ পু ঈনুঙলোন খুনুঙলোননা চৈওন ৭ হ.াইনা হাইখলে ॥০॥

আসুম ওইলপা সাইওন লাঙওনকী ঈয়েক। ঈনুঙলোন। খুনুঙলোন আসি খৈপিকতি ঈপুঙ লোইনপাকা আমততানেঃ খঙপিও॥ ১ (আমা) হ.াইলিপা সিতাপা মপুকী হুকসাং লাংপুমকী ঈপুঙ কায়াতকী লাইফম লাইমিং মফমনে লে.পনা খঙপিও॥৮ আসিকী মতুংইননা লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক পাথাপ কাইতনা ১ তি নোংপোক চীঙখৈ আপানপানে (না)। ২ তি আৰাঙপা কৌপালুনে। ৩ তি থাংচীঙ কোইলেল লাই সিতপানে। ৪ তি খানা চাউপা ৰাঙপুলেল লাই সিতপানে। ৫ তি ঈলাই পুলেল পুলিঙ-লাই সিতপানে। ৬ তি লাইনিঙথৌ পাংকলপানে। ৭ তি সলাইলেল সিতপাঃ ৭না লাইপুঙথৌনে॥ ৮ তি কোনসেন তুলেসেংপা সনা ঈ মহীনে। ৯ তি মী খলৌপানে। ১০ তি কোনচীন তুকথাপা ঈপু আথৌপা পাখঙপানে॥ আসুম তৌনা থাপুঙ ১০ পু সীঙথাফম ওইনপা ঈপুঙ লোইনপা আপকপানা সাইওন



পুথোকতুনা (পুথৌকতুনা)। মালেম লৈসাপু ঈনুঙপুঙতাকী ফুকখত চিংখত থাংখতখিয়ে হ.াইপাকী থাংচিঙ হ.াইনা কৌখলে॥০॥

১ (আমা) তি মীখলৌপাপু য়েংতুনা লাইনিঙথৌ লাইলেলমা অনিনা সমু মাইওকননা সানা ফমপাল লাংতা ফমতুনা হেলকপকী সাইওনকী মতুংইননা ল.াইমিং ১৮ আসিনা তিংপানপাকী কয়াত লাইফম আমা লে.পখলে॥ তিংপানপা ১ (আমা) কী কায়াতকী লাইমিংপু তাইপঙপালপা ১ (আমা) কী কায়াততা ঈনুংলোন খুনুঙলোনকী ঈনুঙ ঈয়েক। খুনুঙ ঈয়েক হ.াইনা। ঈয়েক ঈপী লাইয়েক আসিকী ৰালি লীখুন্পু খক্পানে  চৈখন্নে। খৈপানে  চৈখৈনে  লোম্পানে (●) লু.মপানে

(●) আসিনা চিংনা খৈপীক ওইতুনা খলৌপাকী মহাকথক লাইকী পনখৈতি লোমলে (●) ॥

আসুম হ.াইতুনা কোনসেন তুলৈসেংপা সনা মহীতা। ৰাকী মকোক ৰাকোকলোন। ৰাহৌলোন। ঈনুঙ-লোন। খুনুঙলোন আসি খৈপীককী ঈয়েক ঈপীপু লাইনিঙথৌ সলাইলেলকী কোলোই ময়াথংপু হিক-তোকপা লৈতনা। লৈমালেল সিতাপীনা লৈয়েংতা লৈপী ঈয়েকলৈমা। লৈয়াইতা লৈপী লাইখুলেলপী।

নুলা ঈপেমমা লাইয়েক পীথেত লৈমানা নুংয়াই খোঙলৈনা মেমানপা অচীকপা মতমতা নোৱানা
তাইপঙপালতা ফাউলকপানা অঙোমপা অঙৌপালপা হাইনা মিংথোন ফংচায়ে ॥০॥

নুলা ঈপেমমা লৈমা উলুম খাউচাউ তোন্পীনা। কোইলৌ মমিনা আয়ুককী ঈচীক। আমম
আঙান। মুনা ঙাঙনা। সিননানা লাংপা মতমতা নোৱানা তাইপঙপালতা ফাউলকপানা মোইলাং
হাইনা মিংথোন ফংচায়ে ॥০॥

নুলা ঈপেমমা লৈথম তালি লৈমনো কোইলৌ মমিনা য়ুংনা থক-খা ঙানপা। লুমনা ঙানপা
খোঙলৈ মতমতা নোৱানা তাইপঙপালতা ফাউলকপনা খা ঙানপা মিংথোন ফংচৈয়ে ॥০॥

নুলা ঈপেমমা নোংহাইনু লিলী লৈমানা। কোইলৌ মমিনা আতীংআ ওইনা য়াচঙলকপা
খোঙলৈতা নোৱানা তাইপঙপালতা ফাউলকপানা। সলাই লৈসাংথেম মিংথোন ফংচৈয়ে ॥ নোংহুম
-সঙতা পোকখিয়ে ॥০॥

অসুম তৌনা লৈলমলাপাকা মপালী পুমনামকনা চাউঙমলকতুনা লৈলকপাতা। তাকপীলকে নিং
-তুনা মপাপুঙনা কৌসিনতুনা হাইলকলে — — ঈপালী ঈপুঙঙো! ঙাংলৌ চেংলৌ অহানপা



নঙতি কামপী মৈনা খোঙ্লৈ মতম্ আহুমপু পুলিঙৈতা পোকপানে। ঈপালীও ॥০॥

ঈপালী ঈপুঙঙো লুবাংপা নঙতি লাইচা ঈসিঙনা খোঙলৈ মতম ৩পু পুলিঙৈতা পোকপনে
ঈপালীও ॥০॥

ঈপালী ঈপুঙঙো খুমনপা নঙতি মালঙপা নুংসিতনা খোঙলৈ মতম আহুমপু পুলিঙৈতা পোক
-পানে। পালীও ॥০॥

ঈপালী ঈপুঙঙো অঙোমপা অঙৌপানপা নঙতি লাইচা ঈসিঙনা খোঙলৈ মতম আহুমপু পুলি
-ঙৈতা পোকপানে। পালীও ॥০॥

ঈপালী ঈপুঙঙো মোইলাংপা নঙতি কামপী মৈনা খোঙলৈ মতম আহুমপু পুলিঙৈতা পোক
-পানে। পালীও ॥০॥

ঈপালী ঈপুঙঙো খাঙানপা নঙতি মালঙপা নুংসিতনা খোঙলৈ মতম আহুমপু পুলিঙৈতা পোক
-পানে। পালীও ॥০॥

ঈপালী ঈপুঙঙো সলাই লৈসাং চেংলৌ হেনপা। নঙতি কামপী মৈ.না খোঙলৈ মতম আহুমপু পুলিঙৈতা পোকপনে। ঈপালীও ॥০॥

অসু.ম তৌনা পালী ঈপুঙঙোখোই! তাইপঙপালপা মপু। লাইনিঙথৌ সলাইলেল সিতাপাকী সনা হুকসাঙ উনসাতকী তাতুনা থোকখিপা অতুকুমপা সাকী পীঃ সাপী লাইলুপ ৭ মকনা পোকপানা সলাইলুপ কোলাকে ঈপানা॥ পালী ঈপুঙঙো মঙাঙ চেঙলৌ হেনপা! অতুকী মতুঙইননা। নখোই ৭ মকপু। (সলাই) হ.াইনা ঈপানা মিংথোন পীপানে॥ আসু.ম তৌনা সিতপা মপুকী হুকসাঙ ফিলেপ ওইলাপা। কংলা পাফললী ১০৮ পু খুততোললী। কাপসিঙ। খুতুপ। লমসিঙ। থানা মপালী ৭ মকতা কংলাকী লাইফম ১০৮ মাকী মতীক ময়াই পুমনামক। পাফললীকী কায়াত ফিলেপপু তাকপীখিয়ে ॥০॥

অসু.ম তৌনা হ.াইলাপকা; মপালী ৭ মা কৌসিন্তুনা হ.াইলক্‌য়ে॥ চকপালোনকী মতুঙইননা। ঈপানা মঙাঙলোন। লুৱাঙলোন। খুমনলোন। আঙোমলোন। মোইলাংলোন। থাঙানপালোন। সলাই লৈসাংথেমলোন আসু.ম পাললো হ.াইনা তাকপীলে॥ অসুম তৌনা হ.াইলাপাকা মপালী ৭ মাকী ঈমফম ৭ মা সাঙনা সাতুনা থমলে॥ — ঈমাঙ কাতা মঙাঙনা লৈয়ে॥ মথঙ ১তা লুৱাঙনা লৈয়ে। মথঙ



১ তা খুমননা লৈয়ে। মথঙ ১তা আঙোমনা লৈয়ে। মথঙ ১তা মোইলাংনা লৈয়ে। মথঙ ১তা থাঙানপানা লৈয়ে। মথঙ ১তা সলই লৈসাঙথেমনা লৈয়ে॥০॥

আসু.ম তৌনা লৈলাপকা; পালী নখোই ৭ মাকী পাননাপা ঈমফমপু খাইথোকনা হ.াইলমকে — — পালী ঈপুঙঙো মঙাঙ চেংলৌ হেনপা নঙতি ওকসঙতা লৈও॥ পালী ঈপুঙঙো লুৱাঙপা নঙতি কেকুপাততা লৈও॥ পালী ঈপুঙঙো খুমনপা নঙতি কুসঙতা লৈও॥ পালী ঈপুঙঙো অঙোপালপা আঙোমপা নঙতি কংলাকী কোনথোঙতা লৈও॥ পালী ঈপুঙঙো মোইলাংপা নঙতি সনা কৈথেলকী নোংচুপতা লৈও!! পালী ঈপুঙঙো থাঙানপা নঙতি সালাং মাইতা লৈও॥ পালী ঈপুঙঙো সলাই লৈসাঙথেমপা নঙতি নমপুনতা লৈও॥ অসু.ম হ.াইনা কংলা মেনপু তোংলকা লৈঙমলে॥০॥

মপাপুঙ ঈপুঙঙো কোনচিন তুকথাপা পাখঙ্‌পাসুং ফমপান্ থকতা। থাচকী মসেকতকী তালক পাকুমনা মৈ.পুন হাইচাউ হোপা ওইনা নুংঙাই থোইনা পানখলে॥ অসু.মনা লৈলাপাতা লাইলেল থোমপীকা মঙাঙ নিঙথৌকা পাননাতুনা লৈসঙলেল অসং ঙাসাপা পোকয়ে॥০॥

মথঙ ১তা লাইলেলপী অঙাইপীকা লুৱাঙ নিঙথৌকা পাননাতুনা নোংতমলেল অৱাংপা পোকয়ে॥

মথঙ ১তা লাইলেলপী খুঙাইপীকা খুমন নিঙথৌকা পাননাতুনা নোংতমলেল অখুপা পোকয়ে ॥ মথঙ ১তা লাইলেলপী থিংপী লাইখোমপীকা আঙৌপালপা আঙোম নিঙথৌকা পাননাতুনা লৈসঙলেল অসংপা পোকয়ে ॥ মথঙ ১তা লাইলেলপী থালৈমাকা মোইলাং নিঙথৌকা পাননাতুনা ঈচেঙ পোকয়ে ॥ মথঙ ১তা লাইলেলপী কোংতিং লৈমাকা খা-ঙানপাকা পাননাতুনা নোংতমলেল আঙানপা পোকয়ে ॥ মথঙ ১তা লাইলেলপী চেংলৈমাকা সলাই লৈসাঙথেমকা পাননাতুনা খুম খুম নিঙথৌ পোকয়ে ॥ আসু.ম তৌনা; সালাইলুপ; সাখাই-খাইনা পাললাপাতা। আতুকী মতুঙতা মঙাঙ নিঙথৌনা আমুক সঙকাইতা লৈলমলে ॥ মথঙ ১তা লুৱাঙ নিঙথৌনা লাঙকোনতা লৈলমলে। আতুতাকা লুৱাঙখোংতা হোংখিয়ে। লমফেলপু কোনতুনা লৈখিয়ে ॥ মথঙ ১তা খুমননা পাললমপা ঈমফমতি য়াইলীপোকতা পাললমলে। আতুতকী উমুখোংতা লৈলমলে। আতুতাকী লৈকোইপুঙতা হোংখিয়ে। আতুতাকী পুমলেলতা হোং-খিয়ে ॥ মথঙ ১তা আঙৌপানপা আঙোমপানা পাললমপা ঈমফমতি কোনথাতা পাললমলে। আতুতাকী ওকসঙ থোঙ মথাতা লৈলমলে। আতুতাকী কোংপা তুলেলনা কোনপা লমতা হোংখিয়ে ॥ মথঙ ১তা মোইলাংনা পাললমপা ঈমফমতি লৈকোইপুঙতা হোংতুনা লোকতাক ঈসা ঈকোনপু সুপনা ঙাকখিয়ে ॥



মথঙ ১তা খাঙানপানা লৈলমপা ঈমফমতি। কাংপোকপীতা লৈলমলে। মথঙতা লাংকোনতা লৈলমলে। মথঙতা লুৱাঙচীঙতা লৈলমলে। মথঙতা তাকনা খানা কোনপা লমতা হোংখিয়ে ॥ মথঙ :তা সলাই লৈসাঙথেমপানা লৈলমপা ঈমফমতি লৈসাঙ হিতেন মপানতা লৈলমলে। অতুতাকী হোংতুনা নুংসেঙ মপানতা লৈলমলে ॥০॥

কোনচিল তুকথাপা ঈপুথৌ পাখঙপানা সলাইলুপ্ সাখাইকী মতুঙ-ইননা কংলৈ ৭ মাতা মপালী ৭ পু পাল্হল্খালে ॥ মপালীসিংকী চাতা নৌতানা পাক্না সন্না য়াম্থোক্খিপানা; লোইপী চাঙচাউ ক.াখলে ॥ (হো হো) খৌন্থোক্ ঈৱাই ঈনিন্কা ঈলোইনাখলে ॥ চাঙলেল্ চাঙচাউ ক.াখিপানা তাংচা- মসিন্ ওইনায়ে। অতুওইপাকীপু নুংঙাই থোইনা লৈচায়ে ॥ মাঙতা হ.াইখিপা; ঈপুঙলোইনপা অপকুপানা। লাইনিঙথৌ নোংসাপা ওইতুনা সালোইপুমপা হাতখিপা। চানু অমাপুনা লাইনিঙথৌ সলাইলেলকী নুংসি মিতয়েঙ থাপীখিপা আতুনা ঙমনা য়োকখলে ॥ য়োকচপা অতুকীনা মচানি হ.াইখলে ॥০॥

অসু.ম তৌনা সলাইলুপ সাখাই খাইতুনা পাললাপাতা। নোংহুমসঙতা লৈলকপা খুম—খুম নিঙথৌকী নৌতা ওইলাপা। মলিয়াফমপালচাপু ঈঙঙা কুম্তম্ ঈঙঙেন কুমখাইপা মতম্ লৌতুনা। মাস

তাকী কুম্‌চত্‌ সিঙ্‌থালোন্‌ লাইলি লাইচত। নুমিত। থাসিঙ। চৈহি চৈচত হৌইনখিয়ে॥০॥

মলিয়াফমপালচানা; লৈমা তানু পাননাতুনা কোনথৌপা পোকয়ে॥ কোনথৌপাতি হাউলোক-পম ওইখলে॥ হাউলোকপম চনু মমোমলোই কোনথৌ ঈতা সাতচপী; তমফা চনু নুচাপু লৌলুপা অসিতা নততানা। মীতৈ চনু সলাইলুপ সাখাইকী মচা মসুপু। লাইঈংথৌ সিতপা সলাইলেলনা লৌলুপা তকী। লাইয়াম পুমনামকনা খুনতীন য়াকাতুনা। কংলা সঙকাই মেনসঙতা তানায়ৈ সেনপুঙ রৈতুনা খুনতীন য়াকা য়াথোকলে। য়াথোকপাতা; পাখঙপানা হ.াইলকই—— ঈপাপুঙ ঈপুঙঙো সিতাপা! নমু তাইপঙ চাতোন সুতোনসিংনা। লাইকী চাতা নাউতানি হ.াইনা চতলকাতাপা আসীপু কলম হ.াইনা তৌকপা। আসী বাতি হ.াইলাপাতা। সলাইলেলতি সিতাপা। নুংপুঙ বাখল তৌতুনা হ.াইলকঈ—— ঈপালীও নুংসিপা! ঈচাকী চাতা সলাইলুপ সাখাইসিংনা লাইকী লীচতপু লৌতুনা চতপা য়ালোইয়ে। আসুমনাতি ঈপালীতা হ.াইলকয়ে। লাইকী লুপনা ঈচাকী চাতা নাউতাপু সোকউপা অসীতি লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ কী মতুঙইননা। ঈপানা ওসিতাকী হৌনা য়েক্‌ হ.াইনা কৌলকে॥০॥

ঈচাকী চাতা নাউতানা। লাইকী লুপনা চতলমপা ফিতম লৌতুনা চতলকলাপাতি। লাইকা মীকা য়েকনাপা। তৈনাপা। মৌনপা। ওইসুনো॥ লাইপুঙথৌ ৭ মক্‌কা য়েকনাপাসুং ওইসুনো॥ মাকী



মাকী সলাইলুপ সাখাই পুমনমক য়েকনাপাসুং ওইসুনো॥ য়েকনাপা আসিকী মতুঙইননা ঈকী চালৌ মৌলোনপা য়ালোইয়ে॥০॥

আসুম হ.াইলাপাতা, মপালী তুকথাপানা হ.াইলকই—— ঈপাপুঙ ঈপুঙঙো সিতপা! ঈয়েক য়েক হ.াইলিপা আসিপু অমুক হননা তাকপীও হ.াইলাপাতা সিতাপনা হ.াইলকলে—— পালী ঈপুঙঙো তিং প্যালপা মাপু কৌলিপা ঈপুঙঙো মহাককা লোইনতুনা লৈলিপা লাইপুঙথৌ ৭ মাতা পকতুনা, ঈকী মওং মাননা, খুপী মলুন চাউনা আকোইপা ওইনা পকইয়ে॥ আকোইপা অতুপু ঈয়েক কৌয়ে॥০॥

ঈয়েক আতুকী মনুঙতা ঈকী ফুন ১ লৈয়ে॥ আতুপু ঈলীক কৌয়ে॥ ঈলীক আতুকা য়েকনালে; য়েক কৌয়ে॥ আতুকী মলমনা লাইপুঙথৌ ৭ কী মসাতা পকয়ে হ.াইতনা আপকপাসু কৌয়ে॥ পালী ঈপুঙঙো! লাইলুপ ৭কা ঈচাকী ঈকা তিননাতুনা পোকপা আসিপুনা সালাই কৌলাকে॥ সালাইনা পোকপা আসীপুনা নাউতা হ.াইনা কৌখলে॥ নাউতাকী সলাইলুপ সাখাই পুমনামকনা লৌলাপাতি য়েককা য়েককা ঈলৌনপা ওইসুনো মানা মানা তৌপা ওইসুনো॥ সালাইলুপ সাখাইসিংনা, চালৌ মৌলোনাপা তৌলাপাতি নাউতাকী স.থাঙ ৭ না লোমকনিয়ে হ.াইনা তাকপীখিয়ে॥০॥

পালী ঈপুঙডো ! ৱালম অসিপু পুথাংকোক পাথাংকোক, ঈথাংকোকনা লেপনাপা য়াথংনে ॥ পালী ঈপুঙডো ! য়েককা য়েককা চালো মৌ লোনপা মীতি খঙপা ওইতাসুনো ॥ ঈচাকী নুংতকী খঙুঙে হাইতুনা নুংখঙ কৌলকে ॥০॥

ইচাকী ঈতা লুপপে হাইতুনা ঈলুপপা কৌখালে ॥ আসুমনা; লাইয়ামসিংনা লেপখালে ॥ আসুম তৌনা লৈপাককী সেকনিংতা, লাইনিঙথৌ সিতাপা সলাইলেল্না ওইঙমলক্পা, লাইকীতি মমৈ তাইপঙ মীকীতি মকোক, পাখঙপানা ঈকী নিংথৌ ওইনা পাল্লাপাতা। থোকখিপা থৌথোককী লাইলীক পুয়ানে লেপনা খঙপীও ॥০॥

লাইলীক আসীপু লাইলাপাতি লৈপাকসুং নিংথৌসুং লেপনা মাঙাক্কুতানে খঙপীও ॥০॥

লাইলীকঃ ৱাকোক্কলোন হীলেল থিলেল সালাই আমাইলোন পুকোক কৌবা, পুয়াতি লাইলীক পুন্নমককী পুকোক্নে লেপনা খঙপীও ॥০॥

আসুম হাইনা মাইচৌ ৪ নে লৈপাক নিংথৌ মীয়াম্নে পুন্নামকতা মঙাঙ নিংথৌনা ঙাসাপাতা তাকপী তম্পীথিপা ঙাসাপাকী ৱালী লীথুনপু মুংয়াংপা নিংথৌনা পাউতাক হিতেনতকী হললকপা মতাংতা লীথিয়ে ॥০॥



আসুম তালাপাকা মুংয়াংপা নিংথৌনা থাং খৌপোম্পা খমসুনহা তাপু ফংচায়ে মৈতানা কৌপা থাকী লৈপাক্কী হিংচাপাপু হাত্পা ঙমচায়ে, লেপনা খঙপীও ॥০॥

—:( ৫৯ ):—

# নিংসিঙবা

১। মতাঙ অসিদা "ৱাকোকুলোন হীলেল থিলেল সলাই আমাইলোন পুকোক" কৌবা পুয়া ( মীতৈ-চেনা ইবা, লাতম ৩৫ পানবা ) অসি মথা চথরম্লে ॥ লাতমগী অমসুং লামাইগীসু অরোইবা ওইরমমে ॥০॥

২। "পুয়া" অসি লৈপাক মীয়াম্না পাব্না নৈনবা সুংঙাইনবা থঞ্জন্না বাঙালী ময়েক্তা ফোংজবনি ॥ মথঙগী খুত্নম্লদি মীতৈ ঈয়েক্তা ফোংনবা থৌগাং লৈজরে ॥ হন্দকী অহানবা খুতনমসু অক্কম মীতৈ ঈয়েকনা হেক ফোংদোকপা য়ারম্বু লাইবক থীবা মরম অমা থোক্লে ॥ মতুদিঃ— ঐখোইগী সরকার অমসুং অঙম্বসিংনা ঈসাগী ঈয়েক (ময়েক) পু নুংসি মিৎয়েং পীনবীদবনি ॥ অদুবু, লাইবাক মীয়ামগী অকনবা খোল্লাউ ফংগ্রবমা মথঙগী খুৎনম্দা মীতৈ ঈয়েক্তা থৌগল ফংজরগে ॥

৩। "পুয়া" অসি ফোঙবদা বাঙ্গালী ময়েকা মীতৈ ঈয়েকা তাইসিন্নবা য়াদবা কয়া লৈবনা রাহেগী থোঁন্থোক্ অমসুং লোলচন্ ( বানাল্ ) খেন্নবা কোঙ্গোই থোক্লে॥ মথক্তুগী থুতুনমদা ( মীতৈ ঈয়েক্না ফোংবা মতমদা ) পুয়াগী চপ্চাগ সক্ওং অদু পুথোক্চরগে॥ লাম্নখিবা, রাংহোবা কয়াবু লৈপাক্ মীয়াম্না, হন্দকী মতাঙ্ অসিদা ঙাক্পীগনি॥০॥



এল. সোংখুপ কোইরেং

খ্বাই মীতৈ পৌকল্ লাংকল্ মালুপ্
সগোল্বন্ খুংঙুতম্ লৈরক্
ইম্ফাল্, কংলৈপাক্॥